HUEIYEN
LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur


ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া
Election Commission of India

#IVoteForSure
#MeraVoteDeshKeLiye

iOS Android

ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সনদা নহাক্কী থৌদাং লৌ
cVigil App স্কান অমসুং দাউনলোদ তৌদুনা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইরকপশিংগী রিপোর্ট তৌগদবনি

রাজকুমার রাও
নেসনল আইকোন, ঈসীআই

चुनाव का पर्व
DESH KA GARV
LOK SABHA ELECTION 2024

CBC 52101/13/0004/2425

Vol. 48, Issue No. 010 | নোংমাইজিং, লমতাগী ২৮/২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, April 07, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

কর্ণাটকাগী মিনিষ্টর প্রিয়াঙ্ক খর্গেনা হায় : আর এস এসকী সর্ভে মতুংইন্না লোক সভা মীখলদা বি জে পিনা সিট ২০০ শুনা ফংলোই

বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) : তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদবা নুমিৎ (থা অসিগী ১৯) য়ৌরক্কদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরবা তাঞ্জাদা কর্ণাটকাগী মিনিষ্টর প্রিয়াঙ্ক খর্গেনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ২০০ শুনা ফংবা ঙম্লোই হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী ষ্টেট কর্ণাটকাদগীনা সিট ৮ শুনা ফংবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কর্ণাটকাগী মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী ষ্টেটতা ঈকং থোকপগী তেংবাঙ (দ্রাউট রিলিফ) পীনবগী প্রপোজেল অমা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা কর্ণাটকা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাগৎলকপদা থেংথখিবনি হায়খিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহবুসু ‘মচিন থী’ হায়দুনা মরাল শীখিবগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টর অসি অরানবা ৱাফম ফোঙদোকপা মিনিষ্টর অমা ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিনা মখা তানা হায়, রাষ্ট্রিয় শ্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস) না চখখিবা ‘ইন্টর্নেল সর্ভে’ গী মতুংইন্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট ২০০ শুনা ফংবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে হায়খি। অদুগা কর্ণাটকা ষ্টেটতনা বি জে পিনা সিট ৮ শুনা ফংবা ঙম্লোই হায়খি।

ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা কর্ণাটকা ষ্টেট খক্তদা বি জে পিগী মনুংদা সিট ১৪দগীনা ১৫ ফাওবগী মনুংদা ‘ইন্টর্নেল ফাইটিং’ তৌনরিবনা মতৌ করম্না বি জে পিনা সিট য়াম্না ফংবা ঙমগদগে হায়বা ৱাহংসু হংখি।

বেঙ্গলুরুদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কর্ণাটকাগী মিনিষ্টর প্রিয়াঙ্ক খর্গেনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখা তানা হায়, বি জে পিগী য়াম্লবা সিনিয়র লিদরশিংগী মায়কৈদগী পার্টি অসিবু শূদোক-চামথোকপগী মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়খি।

বি জে পিগী লুচিংবা খরনা কর্ণাটকাদা লৈরিবা পার্টি অসি ইমুং অমগী থৌওং ওইনা চত্থরকপদগী মোৎহল্লে। মরম অসিনা ষ্টেট অসিদা ‘ওরিজিনেল বি জে পি’ অমুক হন্না লৈহনবা পাল্লে। ৱাফম অসি ঐখোয় কোংগ্রেসনা হায়বা নত্তে, বি জে পিনা হায়জবনি হায়খি।

হিন্দুত্ত্বা লুচিংবশিংদসু ইনজষ্টিসকী থৌওংশিং চত্থবা থেংনরে হায়রদুনা হায়রিবা থৌদোক অসিমক বসান্ট গৌড়া পটিল য়াটনার, সী টি রবি, অনন্থকুমার হেগ্রে, ইশ্বরাপ্পানচিংবা লুচিংবশিংদা থোক্লে। মখোয় অমগা অমগগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসি কোংগ্রেসনা থোকহনবা নত্তে হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা য়ামদ্রবদা সিট ৩৭০ ফংননবা পান্দম থল্লি অমসুং এন দি এগী ওইনা সিট ৪০০ হেন্না ফংগনি পান্নরি। অদুগা কর্ণাটকাদনা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লোক সভাগী সিট ২৮মক মায় পাক্কনি পারিবনি হায়খি।

কর্ণাটকাদা থোকখিবা ঈকংগী তেংবাঙ পীবিনবা সেন্টরদা হায়জখিবগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মচিল থীখি হায়বা ৱাফম অমুক হন্না ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়, কর্ণাটকাগী চীফ মিনিষ্টরনা প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা …মখা লমায় ৩ কলম ২

পুলিসনা লৌখৎপা কেসতগী কোর্টনা তোতোমসনাদা ইন্টরিম বেল পীখ্রে

গাড়ী ২৫দা লাকপা পুলিস য়াঙ্গোন অমনা তোতোমসনা ফানবা হোৎনরকপদা মীয়ামগা মূক্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): থা অসিগী ২দা পাঙথোকখিবা লোকল টিভি চেনেল অমনা শিনবা ‘দি কেন্দিদেটস : লোক সভা পোল, ২০২৪’ হায়বা থৌরমদা শরুক য়াখিবা ইন্নরদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম তোম্বীয়াইমা, হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায় পুজারি চিথেক্তা লৈবনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়োক্তা ফজদবা অমসুং অকনবা ৱাহৈশিং ফোঙদোকখি হায়রদুনা মহাক্কী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা সমন পীবদা লাকখিদ্রবা মতুংদা ঙসি মীরেপ অসিনা প্রেয়র তৌরকপগী মতুংইন্না কোর্টনা ইন্টরিম বেল পীখ্রে।

থৌরম অদুদা মহাক্না ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মায়োক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসরনা এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টতা পীরকখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ২২০ (৪) ২০২৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। কেস অসি আই পি সী সেক্সন ১২০-বি, ১৫৩-এ, ৫০৩, ৫০৫, ৫০৬ অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৫গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

পুলিসনা কেস অসি লৌখৎপগা লোয়ননা ইম্ফাল পি এসকী ও সীনা থা অসিগী …মখা লমায় ৩ কলম ৫

ঙাপ্রুম মমৈদা খূজিলনা শিক্তুনা লৈহৌগদবগী শরুক মকোক্তা তাপ পায়রগা ফানবা হোৎনসি : এন বিরেন

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): কনাগুম্বা খরনা ইলেক্সন কেম্প্যেনগী খুদোংচাবা লৌরগা ঐগী শেংলবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো অসিগী মরমদা কাতুককারল খরা ঙাঙনবা অমদি সোসল মীদিয়াদা তৌরক্লিবা অসি তৌবীগনু ঐগী চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএট অসি মণিপুর মীয়ামগীনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী ওফিসতা মীয়াম লাকপা মতমদা ক্বেসন তৌরিবা নখোয় অদুবুনি ঐখোয়না ঙক্লিবসি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী ৪৪শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসি ঙরাংদা …মখা লমায় ৩ কলম ২

মেনিফেষ্টো মপূং ফানা নৈনদনা কোংগ্রেসনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন শৌগৎলে হায়রক্লিবশিং মকোক য়াওরিব্রা : বিমোল অকোইজম

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিগীদমক ঙরাং কোংগ্রেসনা ফোঙখিবা পার্টি অসিগী মেনিফেষ্টো মপূং ফানা নৈনদনা কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রক্লবদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীখ্রগনি হায়না লান্না শনদোক্লিবশিং মকোক য়াওরিব্রা হায়না ইন্নরদা পার্টি অসি খক্কীদা নত্তনা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইরিবা প্রোফের অঙোমচা বিমোল অকোইজম্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইন্টরনেসনল মৈতৈজ ফোরম্না শীন্দুনা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা ‘নো য়োর কেন্দিদেটস’ হায়না মীংথোনবা থৌরম অমদা মীরেপ ওইরিবশিংগী পাঙথোকখিবা দিবেটতা শরুক য়ারদুনা …মখা লমায় ৩ কলম ৭

পুলিসনা লংসাই থৌনাগী কনভিনর য়াওনা থৌমী ৩ ফাজিল্লুবগী মায়োক্তা ঈরাং হৌরকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস): ককচীং মায়কৈদা খুল ঙাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌরক্লিবা লংসাই থৌনাগী কনভিনর কে এস ঐচ রজিব য়াওনা থৌমী অহুম ঙরাং ককচীং পুলিসনা ৱারী শানসি হায়না কৌরগা ফাজিল্লুবগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা মখোয় অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি ককচীংগী মীয়াম্না ককচীং কৈথেল টোটেল শটদাউন তৌবগা লোয়ননা ককচীং পুলিস ষ্টেসনদা থোমজিনখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, মণিপুরগী লান লোইশিন্দনা ইলেক্সন তৌবীগনু হায়বা পাউজেল পুদুনা ঙরাং লংসাই থৌনানা শীন্দুনা থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা চৎখিবা পিছ বাইক রেল্লি অদুবু ককচীং পুলিসনা লমথুংফম য়ৌদ্রিঙৈদা লাংমৈদোংদা থৎতুনা মখা তানা চৎহনখিদবনি। মসিগী মতুংদা পুলিসনা ৱারী শানসি হায়রকপদগী লংসাই থৌনাগী কনভিনর কে এস ঐচ …মখা লমায় ৩ কলম ৭

ৱাংবলগী মৈরা পায়বীশিংনা মীখল য়াওরোই লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসি মণিপুরগী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা পাঙথোক্পা মতম চাদে হায়রদুনা তোঙান তোঙানবা লন্নাই মীওই অমসুং লূপশিংনা ফোঙদোক্লরক্তুনা মীখল অসিদা শরুক য়ারোই হায়নরকপশিংগী মখা তারকপদা …মখা লমায় ৩ কলম ৫

শরুংবম জোনি পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা মীয়াম পূনবা থৌদোকশিংগী মতাংদা সোসল মীদিয়াগী প্লেটফোর্মশিংদা ফজদবা ৱাহৈশিং ফোঙদোরকই হায়বগী চার্জদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ২২৫ (৪) ২০২৪গা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৫০ রোম তারকপদা পুলিসনা ফাখিবা …মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

HL Poll

Q : Lok Sabha meekhalda magi magi candidate mai paknabagidamak aranba pambeising sijinnaraktuna meekhalgi Lan ama thokhallakpa achumba oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak
www.hueiyenlanpao.com
da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Votekidamak Sel loudana amasung kihan-khanghallakpa mayoknaduna apamba meerepta vote thadaba ngamgadaba meeyamgi masing hantharaklabra?

Yes 86% No 14%

বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টরনা কে এন এফকী মথক্তা অকনবা ওপরেসন চত্থরগনি লাউথোকখ্রে

ধাকা, এপ্রিল ০৬ (এজেন্সী) : নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বাংলাদেশকী বন্দরবনদা লৈবা বেঙ্কতগী য়াম্লবা শেনফমশিং হুরানখিবগী মায়োক্তা ঙসি বাংলাদেশকী হোম মিনিষ্টর অসাটউজমান খাননা কুকি-চিন নেসনল ফ্রন্ট (কে এন এফ) কী মথক্তা অকনবা ওপরেসন চত্থরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ঙসি বন্দরবনগী রুমা উপ জিলাদা লাকখিবা হোম মিনিষ্টরনা মফম অসিদা পাউমীশিংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, বন্দরবন হায়রিবা মফম অসি য়াম্না ঈং-চিক্না লৈবা মফম অমা ওইরম্মী অদুবু মতম খরগী মমাঙদগী খূৎলায় পায়বা সিপরেটিষ্ট গ্রুপশিংনা বেঙ্ক লুট তৌবনচিংবা অচৌবা ক্রিমিনেলগী থবক থৌওংশিং চত্থরক্লে। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি বাংলাদেশ লৈঙাক্না মায়োক্নদনা তোক্লোই। থোকখ্রিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চেন্নবশিং খঙদোক্নবা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগনি হায়খি।

বেঙ্কতগী য়াম্লবা শেনফম লুট তৌখিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী …মখা লমায় ৩ কলম ৫

অসাম রাইফলসনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্লে হায়দুনা শুগুনুগী মৈরা পায়বীশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৬ (ঐচএনএস) : সঙাইকোটতা লৈবা ৩৬ অসাম রাইফলসনা মখোয়গী এন্যুএল ফয়ারিংগী মিংদা কুকি ভোলন্টিয়রশিংদা তোঙানবা ত্রেনিং পীবগী থবক চত্থরব্রা হায়না শুগুনু অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম সঙ্গিতানা হংলকখ্রে।

ৱাফম অসি এ আরশিং অসিনা এন্যুএল ফয়ারিংনি হায়দুনা চয়োল অমদা অনীরক …মখা লমায় ৩ কলম ৭

অপাম্বা নুপী থিবদা শাগৈ-নাতৈ, য়েক ফাওবা থিনদে কেন্দিদেট ফরবদি পার্টিগী য়েংলোই, ভোট পীগনি

লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম

MANIPUR LOK SABHA
ELECTION 2024

হৈগ্রুজম সরত্, ঙানপী থোং মপাল

(ঙরাংগী মখা…)

পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা ইন্নর অমসুং আউটরদা মীরেপ ওইরিবশিংগী মতাংদা ভোট থাদগদৌরিবা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং কোয়না চৎতুনা খোমজিল্লকপগী মখা তারকপদা ঙরাং ১২-কৈশামথোং এ সীগী তোঙান তোঙানবা মীওই খরা উনরুরবা মতুং ইন্নরদা মীরেপ অনী থোরক্লিবা এ সী অসিমক্কী ভোটর খরগা ঙসি মখা তানা উনখি।

সেগা রোদ ধোবি মচু লৈরক্তগী মশাগী চহী ৬০ রোম শুরবা মমিং মথা ফোঙদোক্লিংদবা মীওই অমনা হায় : ইলেক্সন অসি হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদা মতম চাদে। অদুবু পাঙথোক্কদৌরবনিনা পার্টিদা য়েংদনা কেন্দিদেটতা ওইনা য়েংলগা ভোট পীগনি, নোটাদসু থাদরোই। মণিপুরগী ইস্যুবু পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎতুনা লাউবা ঙমগদবা, মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী পুৱারী খঙবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন কন্সটিটুসন মুন্না খঙবা মতিক চাবা কেন্দিদেটতা ভোট পীগনি। কেন্দিদেটতুনা ফরবদি পার্টিসু ফরক্কনি, …মখা লমায় ৩ কলম ২


CONGRESS TA VOTE PIRASHI MANIPUR KANLASHI
18th Lok Sabha Election-2024
SL.NO. 1
Dr. Angomcha Bimol Akoijam
Candidate,1. Inner Manipur Parliamentary
INDIA BLOC, MANIPUR
NA TUNGGI MIROLGIDAMAK LEPLI
HL-B/8678/07

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫